লাক্লিবা এসেমল্লী মীখলদা লিলোং এ সীদগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱর্কর অনুৱার হুসেননা এ সী অসিগী মনুংদা কোভিদকী চৈথেং নংলবা অমদি লায়রবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংবা তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখিবা

নোংমৈবুং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট নোংমাইথেম নিংঙোল বেনি লৈমনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মরকসিদা নোংমৈবুংগী এরিয়াদা লৈবা মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদা চেঙ অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯ কম্মিটি চনানা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা শোকহল্লবা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা য়ুমথোঙশিংদা নোংমদা চঙবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোক্তুনা তেংবাঙগী থবক চত্থিবা

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল ফুরা মখোঙ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুংশিংদা চান থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখিবা

কোভিদ-১৯গী ২শুবা ৱেভনা করম্না অসুক তমথীবা শক্লোন লৌরকখিবনো হায়বদু এক্সপার্টশিংনা কুপ্না থিজিনফম থোকই : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

মীয়াম্না থেংনরিবা অচৌবা লাঞ্জাও পান্থক ওইরক্লবা, নোংম-নোংমগী ফীভম অসুম-অসুম লুশিল্লক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা অসুক তমথীনা মণিপুরদা চৈথেং পীরক্কনি হায়বগী থাজবা অদুমক্তিং লৈরমদবনি। অদুবু ঙসিদি ইরমদম মণিপুর অসি ফম শেন্নরবা অনাবা অমগা চাংদম্নবদা হায়মনবা থোক্লরোই। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা লমদম অসিদা মতৌ করম্না অসুক তমথীবা শক্লোন লৌরকখিবনো হায়বদু মরী লৈনবা এক্সপার্টশিংনা কুপ্না থিজিনফম থোকই হায়না মণিপুরী ষ্টুডেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী পল্লিসিটি সেক্রেটরি মেলেম বিজুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হীরম অসিদা য়াম্না দেদিকেটেদ ওইবা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেম্লগা ঐখোয়গী অশোয়বসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা থিজিন্দুনা মতুংদা পারা অমা তমশিনহৌবা চঙই। ঙসিগী মণিপুর খুন্নাই অসিদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপচাশিংগী মরক্তা অখুবা কাঙলুপ-ফুরুপকী ৱাখল থাদোকমিন্নরগা অমদি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল এস্পিরেসনশিং থাদোকমিন্নরগা ঐখোয়গী তুংগী অনৌবা মণিপুর অমা শেম্মিন্নবগী মথৌ তারে। হৌজিক থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী লান্থেং অসিমক্তি ফীভম শেমহৌদনা থেংনবা লানফমগুম্না ওইরি। হিংমিন্নরিবা ঐখোয় মশেল অমনা অমদা তায়শিন্নদুনা ইশা-ইশাগী ইথৌদাং কাউথোক্লদুনা অশোয়বা থিন্নরগা হেন্না অখঙবা, অহৈবা শান্নদুনা অৱাই অখুম তৌনদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে। লানঙম পজেং ফিরাল থেৎকে হায়রবদি ঐখোয় পুন্না হোই লাউমিন্নবা চঙই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎ মরক অসিদা মীওইবা খুন্নাইনা অসুক্কী মতিক ৱানা হা-কা লাউনা ৱানরবা মতম, অমুক্কা হেন্না নোংমগী শুজ-নোমজরগা ফংলকপা চরা নোংখন্নরিবা মীয়ামদদি অচৌবা অনীশুবা লাঞ্জাও অমসু মায়োক্লরিবনি। হিংনবগী লান অনী অমুক্তা মায়োক্লবা হায়বসি অরাইবা থবক অমদি নত্তে। মসিদা পূক্লিং ৱাখল শোন্থদনা লৈরিবা লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামগী খনবদা এম এস এফনা নুংনাংজবা ফাওজে। হান্নদগী হৌনা হিংবগী লানফমদা মায়থিগদবগী থরাক থরাক য়ান্দুনা লৈরবা, মশাগী হুমাং মমল নত্তনা অহেনবা চরা চিন্দম্নবগী থৌশিল লৈজদ্রবা মীয়াম অমনা মতৌ করম্না লায়না লাইচৎ অসি থেংনরিবা অমদি মখোয়না লাইচৎ অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং কুপ্না পুন্না খন্নমিন্নবা চঙই। লৈঙাক্লসু তঙাইফদবগী মতাংনা, ফীভম্না য়াদদুনা লোকদাউন, কর্ফিয়ুনচিংবা কয়া থমদুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা হোৎনদবদি নত্তে। তৌবতবু লোকদাউন, কর্ফিয়ু থম্বা অসিনা ওইহল্লক্লিবা লায়রবা ইমুংগী ফীভম অসিসু নৈনফম থোক্লবা ৱাফম অমা ওইরক্লি।

নোংমগী শুর-নোম্লগা চাবশিং খক্তা নত্তনা লৌবুক্তা ইংখোলদা মনা-মশিং থাজদুনা মহৈ য়াল্লগা মদুদগী ফংলকপা শেনফমশিং অদুনা মঙলান কয়া অমা শাগৎচরগা মচা-মশু অমদি ইমুং-মনুংগী ওইবা চাউখৎ লম্বী অমগী অমকপা লৈত্রবা মঙলান কয়া অমদি মঙফাওদনা লোইশনখিগদৌরি। লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয় কন্নবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎতে হায়বমক্তি নত্তে। তৌবতবু থৌরাং থৌশিলশিং অদু তশেংনা লৌমী ইচিল-ইনাওশিং অদুদা থুংলিব্রা হায়বদুসু কুপ্না থিজিনফম থোকই। লৈঙাক্কী নৎত্রগা অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা শেন্থোক লম্বী লৈজবা মীওইশিংগী মশীংদি ইরমদম মণিপুর অসিগী ওইনদি পংয়াম য়াম্বা ওইদে। লেমহৌরিবা মীয়াম অসিদি হায়রিবা থবকশিং অসি তৌহৌদ্রবশিংনা মশীং য়াম্লিবনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক হায়বসিদি মশীং য়াম্বা হায়বসিনা মরুনি। মরম অদুনা লৈঙাক অসিনসু মশীং য়াম্লবা লায়রবা মীয়ামগী খল্লগা মখোয় মশাদা হেক্তমক য়ৌবা য়াবা থৌরাং থৌশিল কয়াগী পোরম য়াৎতুনা দাইরেক্ট বেনিফিসরি ওইনা লায়রবা মীয়ামদা ফংহনফম থোকই।

হৌজিক য়াম্না কন্না লুম্না লৌনরিবসি লায়না লাইচৎ অসিনা নারক্লবা মতমদা লায়রবা মীয়ামগী তুংগী ওইরক্কদবা পুন্সি মহিং অদু নৈনবা অসিনি। লাইচৎ অসিনা লায়রবা মীয়ামদদি অনাবা ফনবা হোৎনবদা অঙম্বা অমদি লৈজবা পুন্বা মীওইবগী পুন্সিবুদি কন্নিংবনিনা হোৎনবদা অনাবসু ফহৌদা লাইচৎ অসিনা লোইরকপদা য়ুম ইংখোলসু লৈরমদা মাঙজবগী মাঙজবা ঙাক্তা ওইরকপগী ফীভমদা লৈরক্কদৌরি। ইরমদম অসিদা মমিং লৈরবা লন্নাই হোস্পিটাল/ক্লিনিকশিংনা কোভিদ-১৯ অসিগী লায়েংবদা লৌরিবা মেদিকেল ট্রিটমেন্টকী ফী হায়বদি লায়েংবদা চঙলিবা শেনফমশিং অসি লৌফম থোকপদগী হেন্না লৌরব্রা হায়না এম এস এফনা চিংনবা ফাওজে। পীরিবা ট্রিটমেন্ট অদুগা চান্নবা মমল লৌবগী মহুৎতা অনাববু লল্লোনপোৎ কুম খন্দুনা মীওইবগী পুন্সি কন্নবগীদমক অৱৈবা খিবিক পুথোক্লগা হোৎনজরিবা লায়রবা মীয়ামদগী লৌবা য়ারনি খন্দুনা লৌনিংবা মমলদা লায়েংশেল লৌবগী থৌওং কৈদৌনুংদা তৌদনবা এম এস এফনা খঙহঞ্জরি। মসিমক মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদনি অমদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগদি অমুক্কা হেন্না চুশিন্নবা ৱাৎপা থৌওংনি হায়না লৌজে।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী লায়েংশঙশিং, কোভিদ ক্যের সেন্টর, হোম আইসোলেসন সেন্টরনচিংবদসু মপুং ফানা হিদাক লাংথক, মরী লৈনবা লায়েংবদা চঙবা পোৎলমশিং অমদি চানবা চীঞ্জাকশিং ৱাৎহন্দনা পীবীদুনা অনাবশিং অমদি মখোয়গী মতেং পাংলিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং লোয়ননা ডোক্তর, নর্স অমদি অতৈ হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা মখা তানা শন্দোরক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। লোয়ননা হৌজিক মখা চত্থরিবা ভেক্সিনেসন (টিকা থাবা)গী থৌরাং অসি মপুং ফানা লৌখৎপীয়ু। মণিপুর মীয়াম পুন্বা শিন থুংনা টিকা থাদুনা লায়না লাইচৎ অসিদগী কঞ্জহৌনবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিনা লৌবীরিবা থৌদাং অসি অমুক্কা হেন্না কনশিনবীয়ু।

এম এস এফনা মীয়ামদা থমজ নিংবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯ অসি লান্থেংননবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেদি মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোকপীবা মতমদা ফেস মাস্ক শোয়দনা উপ্পীবা, খুৎ-শা তোয়না সাপোন শীজিন্নদুনা হামদোকপীবা মদুমক ঙমদ্রগনা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবীবা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং মপুং ফানা তৌবীবা লোয়ননা করিগুম্বা লায়না-লাইচৎ অসিগী লায়ওং মানবা খরা ইশাদা ফাওবীরবদি শুংশোয় শোয়দনা টেষ্ট তৌথোকপীদুনা অশেংবা অমা খঙদোক্লগা ইশা-ইশা কঞ্জবতা নত্তনা মীয়াম্বুসু কনবদা ইশাগী থৌদাং য়ামিন্নসি অমদি লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা অমদি লায়না লাইচৎ অসিদগী কঞ্জনবা টিকা থারিবা অসিদা মীয়াম পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়না পাউজেঞ্জরি। মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা নারবশিংবু হঙ্গৈই তুক্কৎচনা য়েংবীবা অমদি হন্থনা য়েংবীবগী থৌওংশিং মীয়াম্না তৌবীদনবা এম এস এফনা নোল্লুকচরি। লায়না অসি ওক্তা লীচৎ চৎলুবগী নৎত্রগা অরানবা চাহৈদবা চীঞ্জাক চারুবগী নারকপা নত্তে। মরম অদুনা অনাবশিংদা অচান মীরান নাইবা মীৎয়েং থম্বীদনবা অমুক্কা হন্না মীয়ামদা এম এস এফনা নোল্লুকচরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯না শিহনখ্রবশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ৫/৫ পীবীয়ু : য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

তমথীরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শিহনখ্রবা লাইবক থীখ্রবা অমদি থীখ্রবীশিংগী ইমুং-মনুংশিংদা এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা লৈঙাক্লা লুপা লাখ ৫/৫ পীবীয়ু। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অপোকপা অমসুং অপোকপী লৈখিদ্রবা অঙাংশিংদনা থাগী ওইনা লুপা লিশিং ৩/৩ পীবীয়ু হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী চ্যেরমেন সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিবু লাকশিন্নবা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লিবা অসিসু মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈরিবা ভেক্সিন কাপ্পা য়ারবা মীপুম খূদিংমক পাক্তক্লনা কাপ্ননবা থৌরাং তৌবীয়ু। লোয়ননা টেষ্ট তৌবগী থবকসু পাক শন্না পাঙথোক্লবা হোৎনবীয়ু। মণিপুরগী ওইনা মে ১৯ ফাওবদা পোজিটিভ কেস ৪১২৬৫ শুখিবগী মনুংদা কেস ৩৩৮১৩না ফগৎখ্রে। অদুগা কেস ৬৮১৭না এক্টিভ ওইরি। অদুগা লৈখিদ্রবা মশীংনা ৬৩৫ শুখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা এক্সপার্ট কম্মিটি রিভিয়ু তৌবা মথৌ তারে। লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং মীয়াম্না ঙাক্লা চৎলব্রা হায়বদু য়েংশিনহন্নিংই। মীওই অয়াম্বা লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎলবসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী কেস মশীং হেনগৎলক্লি। শিবা মশীংসু হেনগৎলক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিগী মতাংদা এক্সপার্ট কম্মিটিনা য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তাই। হৌজিক কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক অসি য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা চৎতুনা কাপ্পগী থবক পায়খৎপা মথৌ তাই। মসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগীদমক লৈবনি। অদুনা মাঙজৌননা তুংদা থোক্লক্কদবা উবা ঙম্বা, মীয়াম্বু মীশি-মীনা য়াওহন্দনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা ঙম্বা অদুবু অফবা লৈঙাক্লোন হায়নরিবনি। থোক্লক-থোক্লকপা থেংনগনি হায়দুনা লৈবা লৈঙাক অদুবু অফবা লৈঙাক্লি হায়গদ্রা। থোক্লক্তনবা মাঙজৌননা থবক লৌখৎলগা মীশি-মীনা থোকহন্দবা চঙই। মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং পীরকপদগী ঙসি ফাওবা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অপূনবা মীফম অমা ফাওবা কৌবা তাদ্রি। মসিনা লৈঙাক অসিগী করম্বা থৌশিলনো। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদা নুমীৎ খরনি টোটেল লোকদাউন তৌবা মথৌ তারে। টোটেল লোকদাউন মনুংদা নোংমগী শুরগা হিংলিবা লায়রবা মীয়ামদা চেঙ, মনা-মশিং অমদি অতোপ্পা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীফম থোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা মণিপুরগী মফম কয়াদা চত্থরকপা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ঙসিসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্দ পল্লিসিটি ওফিসর (এফ পি ও) কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈঙাক্লা কৈথেল হাংবগী অয়াবা পীবা মতমদা লিলোং কৈথেলদা কৈথেল ফল্লিবা অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবশিংদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস পীবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ কনখৎলক্লিবা অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্না য়াম্না ৱাখল তাবা মথৌ তাই। লৈঙাক্লা মতম মতমগী পীরিবা এস ও পিশিং অসি মীয়াম্না ইলহৌদবা তারবদি ঐখোয়গী পুন্সি খাঙুথক্তা মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈ। মরম অসিনা ঐখোয় খূদিংমক্না মতম চুপ্পদা এস ও পি ঙাকমিন্নসি। ভেক্সিন কাপ্পা য়ারিবশিংনসু ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লিলোং বজার ভেন্দর দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম দি জিয়ামুলাবদ্দিন অমসুং এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশসু শরুক য়াখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

বি জে পি সেকমাই মন্দলনা শীন্দুনা ঙসি ময়াংলাংজিং জেদ পি মেম্বর কে সোহদেবগী য়ুমদা লৈখিদ্রবা বি জে পি ষ্টেটগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেনগী ফোটোদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্লুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

লোয়ননা প্রোফেসর এস টিকেননা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি পার্টিগী মেনখৎপা ঙম্নরোইদবা অমনি। থৌরম অদুদা ময়াংলাংজিং জেদ পি মেম্বর কে সোহদেব,বি জে পি এস সী মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এন জি রঘুমনি, বি জে পি সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন নাওবীনচিংবা শরুক য়াখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না বি জে পি সেকমাই মন্দলগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

চান-থক্লবা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

লাক্তৌরিবা এসেমল্লী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা সোসল ৱর্কর এম দি অনুৱার হুসেননা লিলোং এ সীগী মনুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চৈথেং নংলিবা ইমুংশিংদা অমদি শোত্থনা লৈরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মখা তানসু লিলোং এ সীদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবা ইমুংশিংদা তেংবাঙখিগনি হায়না অনুৱার হুসেননা ফোঙদোরক্লি।

লেৱানা অতাবা মমলদা পোৎচৈ ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

তমথীরবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মণিপুরদা য়ৌরক্তুনা মীওই কয়া পুন্সি পীখম্নখ্রে। কয়া অমনা পোজিটিভ ওইহল্লকপা অসিবু মায়থীবা পীনবা লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা কর্ফিয়ু অমুক শাংদোকখিবা অসিনা মরম ওইদুনা চানবা থক্লবা লৈবা ফংদবগী অৱাবা কোক্লবা হোৎনদুনা লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (লেৱা) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা অতাবা মমলদা হোম দেলিভরি শোপশিং ঙরাং নুংথিলদগী হৌখ্রে।

লেৱা লমদিং খুমন্থেম লৈকায়গী য়ুমথোঙ খূদিংদা চানবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অহানবগী ওইনা আলু কে জিদা লুপা ১৫, তিলহৌ কে জিদা লুপা ২৫, হৱাই মঙ্গল কে জি অমদা লুপা ৬০ অমদি অচাথাউ হাল্ফ লিটরদা লুপা ৭০ নচিংবদা ফংহনখ্রে হায়না লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল ফুরা মখোঙ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা লংথবাল ফুরা মখোঙ অমসুং মসিগী অকোয়বদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু এক্স-এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা ফুরা মখোঙ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা অঙম-অঙম্বা শেনফম পুথোক্লরগা লৈদুনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চৎলগা এস ও পি ঙাক্লা য়েন্থোকখিবনি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা লংথবাল ফুরা মখোঙ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী কনভিনর থোঙাম বিরানা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা লমদম অসিদসু অচৌবা শাফু অমা পীরকপগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাবা অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্লি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীয়াম্না অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকপনা লংথবাল ফুরা মখোঙ এরিয়াদা মীওই অমত্তা কোভিদনা নাবা থেংনদ্রি। মায়কৈ অসোমগী মীয়াম্নসু লায়না লাইচৎ অসিনা নাহন্দনবা হেন্না চেকশিন্না লৈবগা লোয়ননা লৈঙাক্কী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নসি। লোয়ননা অখঙ-অহৈশিং অমদি এক্সপার্টশিংনা তঙাইফদনা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা তৌগদবা থবকশিংসু লৈকায় অসিগী মীয়াম্না তৌবীয়ু।

কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমল্লী মীখলদা সোইবম সুভাসচন্দ্রবু অমুক হন্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা থাগৎননবা কম্মিটিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মমাঙগী মীখলদা সুভাসচন্দ্রনা মায় পাকখিবা অদুদা ফংখিবা ভোট মশীংদগী হেন্না য়াম্না ফংহন্দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইহন্নবসু হোৎনগনি। এক্স-এম এল এ সুভাসচন্দ্রবু এম এল এ অমুক হন্না ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা হায়বগী মতাংদা কোর্টতা কেস অমসু পন্দুনা লৈরিবনি। মহাকপু অমুক হন্না এ সী অসিগী মীহুৎ ওইনা থাগৎননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

গাড়ী থুগায়রকখিবা অমদি মী ফূরকখিবগী থৌওং য়ানিংদে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্টসু ওইবগা লোয়ননা লাক্লিবা এসেমল্লী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা মহেশ্বর থৌনাওজমগী মীৎয়েং মখাদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎনা খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা কৈশামথোং এ সীগী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা ফংহন্ননবা হোৎনরিবা অসিদা পোৎচৈ পীবা চৎপা মীওই ফূরকপগা লোয়ননা গাড়ী থুগায়রকপগী থৌওং অসি য়ানিংদে হায়না অহৈবম লৈরক ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অহৈবম লৈরক ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট থাংজম ধনশ্বরীনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা মহেশ্বর থৌনাওজমগী মীৎয়েং মখাদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মীয়ামদা তেংবাঙ ওইনা পীবা চৎপদা হৌখিবা মে ১৮গী নুমীদাং পুং ৮ লোম তারকপদা থৌদা ভাবোক লৈকায়দা মীরেপ ওইগনি হায়বা অমগী ৱর্কর খরনা গাড়ী থুগায়রকখিবা অমদি দ্রাইভরসু ফূরকখিবা থৌওং অদু এসোসিএসন অসিনা য়ানিংদে। এ সী অসিদা অতোপ্পা মীরেপ ওইগদবশিংনা পোৎচৈ তেংবাঙ ওইনা য়েল্লকপা মতমদসু লৈকায় অসিনা অদুমক হরাও-হরাওনা তৌই। হৌজিক লৈবাক্কী ওইনা অমদি মালেমগী ওইনা ৱানরবা মতমনি। লায়রবা ইনাক খুনবা খাক্তংনা অৱাবা মায়োক্লরবা মতমসিদা মহেশ্বরনা মীয়ামদা মতেং পাংবা ওইনা মনা-মশিং য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলম খরা য়েনবগী থবক অসিদা অকায়-অতোয় থোকহল্লকপা অমদি খৎন-চৈনবগী থৌওং চত্থরকপা অসি তৌহন্নিংদে। অতোপ্পা এ সীদসু অসিগুম্বা মতৌ অসি তৌরম্লোই। কৈশামথোং এ সী অসি ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা এ সী অমনি। লাইরিক-লাইশু হৈরবা, চাউখৎলবননা হায়নরিবনি। মীয়ামদা তেংবাঙবা অসিদি পোলিটিক্সকী ৱা নত্তে। পার্টি অমনবু ওইরো অমনবু ওইরো অৱা-অনা তারবা মতমদা মতেং পাংলক্লবদি মদু তরাম তরাম্না ওক্কনি। মতুংদা অসিগুম্বা তাবদা নুংঙাইতবা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌবীগনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হীদাক কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

খাঙবোক এসেমল্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমার ওক্রমনা ঙসি কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর (৩৫-খাঙবোক এ/সী) অমদি প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর লমদিং ৱাংজিং অনীগী অকোয়বশিং অসিবু কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদগী খরতা ওইরবসু ঙাকথোক্লবা হায়দুনা দিসইনফেক্টেন্ট কেমিকেলশিং শীজিন্নদুনা হীদাক কাপথোকখ্রে।

এম এল এ সূর্য্যকুমারনা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর অসিবু নীংথিনা চলাইনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মথৌ পাঙথোক্লিবা ভোলুন্টিয়রশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং, ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, হেন্দ গ্লোভস, ঈশিংনচিংবা পোৎলম কয়াসু ঙসি খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মীওই ১০৭ পুলিসনা দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) : লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা চৎন-কাংলোনশিং লাউথোকখিববু থৌওইদনা মপান থোক্লকপা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চৎথদুনা দিটেন তৌবগা লোয়ননা ফাইন লৌখৎপগী থবক লেপ্তুনা চৎথরি।

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসি মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাংলোনশিং ইন্দবা মরুওইনা য়ূমদগী থোরকপা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্তবা, মীয়াম মরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা অমদি মীয়াম মরক্তা লোক-তিন শিৎপা য়াওনা ঙসি পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই ১০৭ দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মখা তানা তৌদনবা পুলিসনা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী ফাইন ওইনা লুপা ৩২,৯০০ খোমগৎখি। ঙসি পুলিসনা মীওই ১০৭ দিটেন তৌখিবা অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীওই ২৮, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৬০, ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৭, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১০ অমদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১নি হায়রি।

লৈঙাক্কী চৎন-কাংলোন ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপসু য়াই হায়রি।

‘ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা থবক তৌরিবা পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টকী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংবু লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু’

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা থবক তৌরিবা পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়রিং (পি ঐচ ঈ) দিপার্টমেন্টকী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদ্রে। মরম অসিনা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা থবক তৌরিবা পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টকী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংবু লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না দিপার্টমেন্ট অসিগী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা, পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টতা কুমজা ২০১৬তা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ ওইনা এসিষ্টেন্ট ইঞ্জিন ওপরেটর (এ ঈ ও) অমসুং টেক্লিকেল জুগালি খরা খনখি। ইম্ফাল অর্বান ৱাটর সপ্লায়/ইম্ফাল সিৱেরেজ প্রোজেক্টকী কন্ট্রেক্ট ষ্টাফ ওইনা কুমজা ২০১৬তগী ঙসি ফাওবা অপীকপা শেনফম খরা তোলোপ ওইনা ফংদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী থবক থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সর্ভিস এক্সটেন্সন তৌর-তৌরগা এ ঈ ও অমনা থাগী ফংলিবা অসি লুপা ৬০৯০ অমসুং টেক্লিকেল জুগালি অমনা ফংলিবা থাগী ফংলিবা অসি লুপা ৫৮৪০ নি। ঙসি ফাওবদা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসিগী থাগী তোলোপ অসি হেনগৎপীদবনা ষ্টাফ অসিগী ইমুং-মনুংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লন্দুনা হিংলক্লি। তোলোপ অসি থা খূদিংগী চাং নাইনা ফংবসু নত্তে। মসিদা মতৌ করম্না ইমুং-মনুং হিংনবগী লম্বী ওইগদগে হায়বসি খন্থহন্নিংই। অৱাবা কয়া অসিগা লোয়ননা ষ্টাফশিং অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী অমদি মীয়ামগী য়াইফননবা থবক তৌদুনা লাক্লি। মীয়ামদা থক্লবা ঈশিং ফংহনগদবা দিপার্টমেন্ট ওইবনা ছুটি নুমীৎ ফাওবদা মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌদুনা লাক্লিবা পি ঐচ ঈগী এ ঈ ও অমদি টেক্লিকেল জুগালি ওইরিবা কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতম অসিদা ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লিবনি। কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসিগী মরক্তা হন্দক কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা ষ্টাফ অমা লৈখিদ্রে। লৈখিদবা ষ্টাফ অসিগী ইমুং-মনুংদা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা পীবা য়াবা মতেং পীবীয়ু হায়নসু কন্ট্রেক্ট ষ্টাফশিং অসিগী মহুৎ শীল্লদুনা সৌবাম ললিতনা ফোঙদোরক্লি।

নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

মণিপুর লৌমী মরুপকী হান্না সেক্রেটরি ওইরম্বদা নত্তনা ভেটরান কম্যুনিষ্ট অমসু ওইরিবা কমরেদ থৌদাম কোমোলনা লৈখিদবদা মণিপুর লৌমী মরুপ অমসুং সী পি আই-এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৌমী মরুপকী প্রসিদেন্ট য়ুম্লেম্বম যোগেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কমরেদ থৌদাম কোমোলনা হিংলিঙৈদা মণিপুর মীয়ামগী মরুওইনা লৌমীশিংগী য়াইফগদবা দিমান্দ কয়া পুখৎতুনা লৌমীগী ঈহৌ শাগৎখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি লৌমীশিংগী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়দুনা অৱাবা ফোঙবগা লোয়ননা মরুপকী লাঙ্গোল কারল য়েকপা অঙাংবা ফিরাল তংখায় চিংথদুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই-এম মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা কমরেদ থৌদাম কোমোল কুমজা ১৯৬৬তা কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওরক্তুনা ষ্টেট অসিগী শোত্থরবা মীয়ামগী য়াইফন্নবা থৌদাং কয়া লৌরম্না মীশকনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসিদা পার্টি অসিগী ফিরাল তংখায় চিংথদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শক্লাইরবা সিনেমাটোগ্রাফর ইরোম মাইপাক লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা নেসনল এৱার্দ ৱিনিং সিনেমাটোগ্রাফর ইরোম মাইপাক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ঙসি অয়ুক লৈখিদ্রে। মহাক সগোলবন্দ সলাম লৈকায়দগীনি। লৈখিদ্রবগী লোয়নবী, মচানুপী অমা অমসুং মচানুপা অমা লৈহৌরি।

শক্লাইরবা সিনেমাটোগ্রাফর ইরোম মাইপাকনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী এগজিক্যুটিভ বোর্দ অমদি মণিপুরী সিনেমাগী গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসন কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ভর্চ্যুএল ওইনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমসু পাঙথোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইরোম মাইপাকনা হিংলিঙৈদা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নীংশিংখিবগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নবসু উৎখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ মরক অসিদা দিরেক্টর, প্রদ্যুসর, লিরিসিষ্ট মোইরাংথেম কমলজিৎ এলিয়স এম কেজিৎ, ৱাংজিং কাইরেন্বীখোক্তগী মচিন তুমখৎলক্লিবা এক্টর সগোলশেম রোমিও মৈতৈ অমসুং সিনেমাটোগ্রাফর- এদিটর হেম অথোকপমসু লৈখিদ্রবনি।

অমরোমদা, কলা ক্ষেত্র মণিপুরগী মতম শাংনা এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইরমখিবা মণিপুরী সিনেমাগী শক্লাইরবা সিনেমাটোগ্রাফর ইরোম মাইপাকনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা কলা ক্ষেত্র মণিপুরগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। মহাক মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ মরিরক ফংবদা নত্তনা নেসনল ফিল্ম এৱার্দ ‘বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফি’সু ফংখ্রবনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরী সিনেমাগী থৌমী অমা মাঙজরে হায়না কলা ক্ষেত্র মণিপুরগী সেক্রেটরি অখাম বিরবলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এ এম ৱাই সীনা ইমুং কয়াদা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) :

কোভিদ সেকেন্দ ৱেভনা মরম ওইদুনা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবা অমদি কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপা য়াওদুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবা অসিদা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াবা ওইনা থৌবাল ময়াই লৈরক মথক্তা লৈবা অনৌবা মঙাল য়ুথ ক্লবনা কোনবা এরিয়াদা লৈবা য়ুমথোঙ ১১২ রোমদা ক্লবকী লৈজবা ফন্দদগী নোংমদা চঙবা চান-থক্লবা পোৎলম আলু কে জি ২ অমদি থুমনচিংবা পোৎলমশিং কোয়না চৎতুনা তেংবাঙখ্রে। তেংবাঙখিবা অদুদা খরা হেন্না শোত্থরবা অমদি কনা লৈজদ্রবা ইমুং ৪দা অহেনবা ওইনা চেঙ কেজি ১০/১০সু মতেং পাংখি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা চিংনবা মীওই ২১গী সেম্পল লৌখৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ২০ (ঐচএনএস) : ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ২২৬, নুপী ৬১ অমদি অঙাং ১১ পুন্না মীওই ২৯৮ রোম তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৪না পুদুনা ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলখ্রে।

ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ কনবা ষ্টেট মরুওইনা মহারাষ্ট্র, কেরলা, কর্নাটিকা, উত্তর প্রদেশ, টামিল নাড়ু, দেল্লি, অনধ্র প্রদেশ, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ছটিসগড়, রজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমদি গুজরাটনচিংবা মফমশিংদগীসু লাকখি। মখোয়গী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা হান্না লাউথোকখিবা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী সর্টিফিকেট য়াওরক্তবা মীওই ২১ ঙসি এয়রপোর্টতা আর টি পি সী আরদা টেষ্ট সেম্পল লৌখৎখ্রে। ঙসি সেম্পল লৌখিবা মীওইশিং অদু রিজল্ট লাক্ত্রিবা ফাওবদি মখোয়গী ময়ূম-ময়ূমদা হোম আইসোলেট তৌদুনা লৈনবা খঙহনখি হায়রি।

ঙসি মণিপুরদা পায়রকখিবা ফ্লাইট ৪ অদুনা ইম্ফালদগী আইজোল, গুৱাহাটি, দেল্লি অমদি কোলকোটানচিংবদা হনখিবা মতমদা মীওই ১৩৮ রোম পুরগা চৎখি হায়রি। অমরোমদা হৌখিবা মার্চ থাদগীনা ঙসি ফাওবদা মপান লমদগী মণিপুরদা চঙলকখিবা মীওই পুন্না ৪৭,১৪০ রোম শুখ্রে। মখোয়গী মনুংদা নুপী ২৫,৪৮১; নুপানা ৫৮,৯০৪ অমদি অঙাংনা ৩,৭৫৫নি হায়রি।